# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১৫৯

- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -

ঙসিগী মালেম চাওখৎলকপগী থাক ৱাংলে। মসিমক মালেমগী মীয়ামগী থাজবনি। মসি ঙম্নমক্কী মথক্তা মতমগী য়াওল, মতমগী খোঙজং কয়া লেপ্তুনা পায়খৎনরকই। মখা তানসু পায়খৎনরকখিগনি। চাওখৎলবা ২১শুবা তাঙ্ককসিদা ঙসিদি থাজদনা ২০২০গী অঙনবা শরুকসিদা লায়না লাইচৎ অমদি খঙহৌদনা শন্দোরক্লে। লায়না লাইচৎ অসিগী হৌরকফম কমদৌনা করিদগী থোরকপনো হায়বসি য়াম্না কুপ্না থিজিল্লি। খঙহৌদনা থোরক্লিবা ‘কোরোনাভাইরস’ ঙসি ফাওবা লায়েংবদা তরাই তরাইবা ওইদ্রি। লায়নাসি মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা মীপাইবা পোক্লরি। মপূং ওইনা লায়নাসি চাইনাদগী হৌরকখিবনি হায়বসি তশেংনা চুপ্লে। মপূং ওইনা চাওখৎলবা, চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা মথং মথং শন্দোরক্তুনা ঙসিদি তমথীরবা লাইচৎ অমা ওইনা লৌনরক্লে। মসিমক মালেমদা শন্দোরক্লিবসি তরাইনা খন্দোক্লুবা য়াদ্রি। ঙসিদগী চহী কয়াগী মমাঙদা খূৎলায় লমজেল তান্নবদা এটোম বোমনা তম্বীখিবা পারাদু নীংশিংমীন্নবা য়াই। মপূংদা ন্যুক্লিয়রগী খূৎলায়শিং পৈশিন্নবা শাগৎনরকপদগী থোরকপরা হায়বসি চিংনদবা ঙমদে। মসিসু ঙসিগী য়াওলসিদা হেন্না কূপ্না নৈনমিন্নবগী তাঞ্জা লৈরবরা?


শাংলবা চহী কয়া অসিদা লৌনম নমথাক্কী থবকসু পাউদম্বদা থাজররোইদবা মওংদা নোংম-নোংমগী হেনগৎলকই। মতমসিগী লাইরিক-লাইশু খঙ-হৈরবা কয়াসু মশীং খঙদনা ৱাংখৎলকই। অদুবু অচুম্বা অশেংবগী মফমসু লেপ্তুনা নোংমা নোংমগী মাঙশিল্লক্তুনা লৈবাকসি থক-খা ওন্নবগী তাঞ্জা লাক্লে। মসি পূম্নমক্কী মথক্তা ঙসি ফাওবা ঐখোয় মালেম অসি আইনগী থাকসু মখল মখলগী আইন পুথোক্লরক্তুনা অচুম্বা অশেংবসু নোংম-নোংমগী মমি শামজিল্লে। মালেমদা অচুম্বগী মফম নোংম-নোংমগী পিকশিল্লে হায়বসি খঙনা খঙনা শেমদোকপা ঙমদবসিমক মীওইবা খুন্নাইসিদা খ্বাইদগী চাউরবা অৱাবা অমা মায়োক্লররে। ঙসি চথরক্লিবা খোঙথাং অসি ঐখোয় খুদিংমক তুংগী মীরোলশিংগীদমক খন্নহৌদ্রবদি মালেম তুম্না মাঙমিন্নবগী তাঞ্জা শোয়দনা লাক্লগনি। মরম অদুনা মালেমদা খুন্দামিন্নরিবশিং অখঙ-অহৈ পূম্নমক ৱাখল তামিন্নবা মতম ওইরে। মপূং ওইনা মতমসিগী লৈঙাক সাসন তৌরিবশিংনা থম্মোয় শেংনা অচুম্বা অশেংবগী মফম মাঙশিল্লক্লিবশিং য়াম্না কুপ্না য়েংশিনবগী মতম ওইরে। ঙসি লৈঙাক্লা ফজ-ফজরবা ৱাফম কয়া পুথোরকই অদুগা থবক ওইনদি ঙসি ফাওবা ওন্থোকপা মপূং ফানা ঙমদবসি অচুম্বগী মফম মাঙহনবা নত্তনা করিসু পাম্বে লৈতে। ঙসি ফাওবা কোরোনাভাইরসকী হৌরকফম খঙদবগুম চথরকপা মসিগীদমক মতিক চাবা হীদাক মশক থোক্লা পুথোরক্তবসি য়াম্না কূপ্না মালেমগী লৈবাকশিংনা থিজিনবীফম থোকই। মরম অদুনা হৌরকফম খঙদনা হেন্না মাঙহনবা য়ারোই হায়বসি অখঙ অহৈশিংনা হেন্না কূপ্না খঙনরবনি। ঙসি চাওখৎলবা সাইন্টিফিক এজ অসিদা কোরোনাভাইরস হাৎনবা চপ চাবা হীদাক ফংহনবা ঙমদবসি ৱাহং কয়া লেপ্তুনা হংনরকখিগনি।

মপূং ওইনা কোরোনাভাইরস হায়বসি মাঙহন্নবা হোৎনবা তরাইবসু নত্তে। মসিগী মরমদা হৌরকফম য়াম্না কূপ্না খঙদ্রবদি মুখৎনবা হীদাক পুথোকপসু অরাইবা নত্তে। মরম অদুনা লায়নাসিগী হৌরকফম খঙবা তঙাইফদবা চংই। ঙসিগী চাওখৎলবা মতমসিদা লায়না লাইচৎ খঙদোকপা ঙমদবসি অশোনবা খরদি লৈরে হায়বসি ময়েক শেংনা ৱাখল তানবা য়ারে। মীৎয়েং অশোমদা মালেমগী মীয়াম খঙমীন্নবা মতমনি। থবক অসি কদাইদগী করম্না, কমদৌনা লাকখিবনো হায়বসি থা খরসিদা পুথোকপা ঙমদবসি পূম্নমক্কী লাইবক থীবনি।

কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা লোকদাউন তৌখিবদগী মীয়াম খম থেংনা ৱানরে হায়বসিমক ককনীংঙাই লৈতনা চুপ্লবনি। মসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা হোৎনবা য়াবা হোৎনরি হায়বসি পাউচে, রেদিওনচিংবদা ফজ-ফজরবা ৱাফম কয়াসু তাহল্লি। মসিমক লৈবাক্কী মপি-মপা ওইবশিংগী অচৌবা থৌদাংনি। মসি পূম্নমক কদাই ফাওবা চুম্না অচুম্বা খোঙথাং পায়খৎলিবরা হায়বা ৱাহং মশীং খঙদনা লৈরে। মণিপুরগী চীং-তম খুদিংমক্তা চেঙ, হৱাই, চিনিনচিংবা চানবগী পোৎলম খরদি লৈঙাক্লা লেম্না পীথরে। লৈঙাক্কী থৌশিল থাগৎতবসু ঙমদে। অদুবু চীং-তম অনীগী অপূনবা মীৎয়েং মান্নবা শক্তমদি উদবগুম চথরকপা অসি কনাগী থম্মোয়না পেনগনি। মসি পূম্নমক কথোকপগা ইরোয়ননা থম্মোয় শেংনা থবক ওইনা মপূং ফানা পায়খৎখিবরা হায়বগী ৱাহং চাম্মা চাম্মা লৈতবা নত্তে। মপূং ওইনা বি জে পিনা লিচিং অমগী মখাদা পায়খৎলিবা থবক অচুম্বদা য়ূম্ফম ওইরগা পায়খৎলিবরা হায়বা ৱাহং খরদি লৈরে। বি জে পি লৈঙাক্কী চীংদা চৎলু হায়বা ফজরবা পান্দম অমা পায়খৎলকপদা মীয়াম্না থাগৎনদবা নত্তে। অদুবু হন্দক্কী কোরোনাভাইরসকী লোকদাউন মনুংদা মীয়ামগীদমক পীথরকখিবা চেঙ, কোবি য়ূমথোং খুদিংগী মীওইশিংদা মশীং চপ মান্ননা ফংহল্লবরা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমনি। মরম অদুনা এ সী খুদিংমক্তা লৈরিবা মীওইশিংদা চেঙ কেজি কয়া-কয়া ফংহল্লবগে হায়বগী অচুম্বা অশেংবা থবকশিং অদু মীয়ামগী খঙনীংবা অপাম্বনি। মণিপুরগী মীশিংগা পীথরকখিবা চেঙগা য়াম্না খেন্নবনি হায়বসি মীয়াম্না ইখঙ খঙনরবনি। এ সীশিংগী মীহুৎ ওইরিবশিংনা পীথরকখিবা চেঙগা এ সীশিংদা ফংনরিবা চেঙ মশীংগা ময়েক শেংনা খঙহনবা মথৌ তাই।

মসি পূম্নমক্কী মথক্তা চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফম খরদা চেঙ ফংনদবগী ৱাথোক মপান থোরকখিবা, এ সী খুদিংমক্তা মীশিংগা পীথরকখিবা চেঙগা মান্নদবা থৌওং লৈরিবসি মরী লৈনবশিংনা মীয়ামদা খঙহনবীফম থোক্তবরা? নোংমগী লেপ্তুনা রেদিওদা লাউথোক্লিবা, পাউচেশিংদা ইনরক্লিবশিং অসিদগী মীচম মীয়াম, নুপী অঙাং, অহল খাক্তুনা খঙনরবনি। মরম অদুনা কোরোনাভাইরসকী লায়নাদগী লৈঙাকপশিংগী অচুম্বা মীৎয়েং, অচুম্বা থবক ময়েক শেংনা খঙনরক্লগনি। লৈঙাকপশিংনা মীয়ামদা ফজ-ফজরবা ৱাফম কয়া লেপ্তুনা লাউথোকই। লৈঙাকপশিংনা পীথরকখিবা পোৎশক্লা মীচম মীয়ামদা ফংনরিবা পোৎশক্কা খেন্নবা থম্বীরবদি চীং-তম অমদি লৈঙাক্কা মীচম মীয়ামগা অনীগী মরক্তা লৈনরিবা ৱাফম তরাইবা নত্তে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা মপান থোকপসু য়াহন্দ, লায়রবা মীয়াম কয়াম ৱানা খাঙলমগনি। মসিগী মথক্তা শেঞ্জাও পায়বা করবার তৌবশিংনা পোৎকী মমল লৌনীং-লৌনীংবা মমল লৌদুনা য়োনবশিং খরদি অতোংবদা লৈথোনবা, অকুৎপদা লৈতৌবা ওইনা উহনবসি পূম্নমক্কী ওইনা লাইবক থীবনি। লাইবক থীবসি কনাদা তাই, লায়রবশিংদা তাহনবসি অচুম্বগী মীৎয়েং অমরা?

মরম অদুনা লৈঙাক্লা থম্মোয় শেংনা অচুম্বগীদমক কথোকপা শক্তম মীয়ামদা খঙহনবীফম থোকই। মসি পূম্নমক থম্মোয় শেংবগী থবক খূৎতৌ, কথোকপগী শক্তম ময়েক শেংনা অঙম্বশিংনা চ্যেক তৌবীরবদি মীয়াম্না হেন্না পেন্নগনি। লৈঙাক্কা লোয়নবা মীশক খরগীদমক আইন শেম্বীদবা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইরগনি। দুকান থোঙ লোনহনবা নাকোয়ননা ব্লেক্তা পোৎ য়োনহনবগী থবক খূৎতৌসি মীয়াম্না পেন্নীংঙাই ওইদে। লমদমসিদা অচুম্বা অশেংবসি মাঙখিগদৌরি। অচুম্বা অশেংবা মাঙখিবা মতমদা থোরক্কদৌরিবা অৱাবা অদু অহানবদা লায়রবশিংদা তাগনি, মমৈথংদা শেঞ্জাও পায়বা অচৌবশিংদসু অৱাবা তারক্লোই করম্না হায়বা ঙমগনি। হন্দক্কী কোরোনাভাইরস অসি মন্ত্রি-মন্দলশিংনি হায়বা খেন্নবা থমদনা শন্দোরকপা লায়নানি। মখা তারকপদা লায়নাসি কল্লসি হায়রবদি অচুম্বা অশেংবগী মফম কনমিন্নবা মতম ওইদ্রিবরা? মরম অদুনা চীং-তম, লায়র-ইনাকখুনবা, শেঞ্জাও পায়বা, শঙ্গ-পঙ্গ, মন্ত্রি-মন্দলশিংনা লুচিংলগা মান্নবা খূৎলায় অমগী মান্নবা মীৎয়েংতনা তমথীরবা কোরোনাভাইরসতগী কনবা ঙমগনি। ঐখোয় পূম্নমক অচৌবা হিজাও, অচৌবা জহাজ অমদা তোংমিন্নবনি। হিজাওদু ঈশিংদা লুপখিবদা ড্রাইভরদগী হৌরগা পূম্নমক অৱাবা তামিন্নগনি। মরম অদুনা অচৌ অশাং, শঙ্গ-পঙ্গ হায়বা থিদনা থম্মোয় শেংনা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। কোরোনাভাইরসতগী হেন্না শাথীবা লায়ওং মখা তাবদা শন্দোরকলোই হায়বা খঙবা ঙম্বা নত্তে হায়বসি মালেমদা খুন্দামিন্নরিবা মীয়াম্না খন্থমিন্নবা মতম ওইরে। মসি পূম্নমক থম্মোয় শেংনা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্লা ৱাখল তামিন্নরসি - অচুম্বা অশেংবা চৎনরবদি পূম্নমক মায়োক্লুবা ঙমগনি। ●




# খুমন লম্পাক্কী পোখোক হেনগৎহনসি - ৪

## ‘খুমন-দগী খুল-মনগী আপিল’

- টি ঐচ ইনাও -

কুমজা ১৯৯৯দনি ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা শান্না কুম্মৈ নেসনল গেমস তাখিবদু মণিপুরদা। শান্নববু নুংশিবীবা শান্নরোয়শিংগী অহল লমন, চহী নৌরিবা শান্নরোয়শিং, মীৎয়েং তাবিখিবা পূম্নমক্কী পূক্লিং ৱাখলগী নীংশিং লমায়দা মম্মি লৈরমখিনি খল্লি। অদুগুম্বা শান্না কুম্মৈদু নংনবা শেমগৎ শাগৎখিবনি ঙসি লৈরিবা শান্নবগী মচাক মথুম ময়াম মপূংদা ষ্টেদিয়ম অসি। পূম্নমক্লা পূক্লিং ৱাখল মকা লাম্না অনৌবা শান্নবুং অমা ফংবা অদুগী মথক্তা লমদমসিদা অদুগুম্বা শান্না কুম্মৈ অমা য়ূম্বু ওইনা থৌপাংনবা শিনবীরকপা, ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ময়াম অমা উবা ফংবগী ঈথিলদুনা খুদিংমক্লা মপূং ফাবা কোপরেসনসু পীখি। মণিপুরনা ওভরওল টিম চেম্পিয়নসু ওইখি। শান্নবগী মপূং ওইবা ভেন্যুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সনি। চহী কুনগী মমাঙ খুরাই, ৱাংখৈ, হৈঙাং, থাংমৈবন্দ অনকপা খরসি নত্তনা খুমন লম্পাক হায়বসি খঙনরম্বা নত্তে। মতম অমদদি ইচম চম্না খুমন হায়নতা খঙনরম্বনি লম্পাক হায়বসিসু য়াওরমদে। শান্নরোয় ময়াম অমগী হুমাংগী মশক্লা স্পোর্টস কমপ্লেক্স ওইরকান্দা কোন্না খুমন লম্পাক হায়না খঙনখিবনি। ঙসিদি এসিয়া, য়ুরোপ, অফ্রিকা, লাটিন অমেরিকা পূম্নমক্লা তাবা, খঙবতা নত্তনা ওফিসল রেকোর্দ ওইখ্রবনি। ঐখোয়গীসু লৈঙাক্কী গেজেৎতা রেকোর্দ লৈরম্লবনি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স হায়না অদুবু মালেম্না ওফিসল রেকোর্দ ওইখ্রবা খুমন লম্পাক হায়বা মমিং অসি খুল-মন লম্পাক হায়না মমিং ওন্দবা য়ারকত্রি। মরম অদুননি মথক্তা হৌখ্রবা ৱারী মতেক অমা নীংশিংজরিবসি।

মমাঙদা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা মীয়ামদা নৈননবগীদমক থমজ দনা লান্থোকচরিবা ৱাফমদি ঙসি মীয়াম পূম্নমক্লা খঙনরিবা, হায়নরিবা খুমন লম্পাক হায়বা ৱাহৈ অনীসিগী অহানবগী খুমন হায়বা ৱাহৈসিগী মরমদনি। খুমন হায়বসি লোন্দ্রৈনি, থৈথরকপা লোন (খোন্থোকলোন, ৱাশেম, ৱাহৈ) অশেংবদি - খুল অমনবা হায়বনি। খুল অমনবা হায়বসিদগী থৈথরক্তুনা ঙসিদি খুমন হায়না হায়নবিরে, কৌনবিরে। খুল অমনবগী অহাঙববু লম্পাক অদুদগী খুল অমনবগী লম্পাক অদুদগী খুলমন লম্পাক মমৈদা খুমন লম্পাক, অসুম্না ওইরকখিবনি হায়না অহল-লমনশিংনা তাকপীবদগী লৈবাক মীয়াম খঙমিন্নবা পুথোকচবনি। অসুম্নসু অমুক তাকপীরি মদুদি :- মণিপুরদা মীরোন মীরোন্দা খরা খরা থৈখিবদগী পুমথৈ থৈখ্রবা কয়াসু লৈরিবনি। অতৈনা অতৈ ওই-খ্রবসু মফম অসি ঙসিদি অতাঙবা মগুন লৈবা মফম হায়বদু ওইরে অদুনা পুৱারীদা হান্নগী অশেংবা মমিং অদু লৈহৌনবগীদমক ঙসিগী মীরোলনা খাঙুথক্কী মমিং অসি ওন্থোকসি হায়বা থুপখিগদৌরবা অহলশিংগী ৱাফমসি চুমগনি হায়না লৈবাক মীয়ামদা লৈঙাকলোয় পূম্নমক্তা তৌজবা আপিলনি। লৈঙাক্লবু খন্থবিরবা নৌনা গেজেৎতা ফোঙদুনা মরী লৈনবা পূম্নমক্তা অনৌবা মমিং ওনবদা অরুবা ওইরোই। ইন্দিয়াগী ষ্টেট মেট্রোপোলিটান সিটি, খরগী মমিং, বনান ওনখি। বেংগলোরবু - বেঙ্গলুরু, মদ্রাজবু চেন্নাই, এলাহাবাদপু প্রায়াগ। হান্নগী গৌহাতিগী বনান দল্লিয়ু ওনখি। নীংশিংবীরমগনি পূম্নমক লৈঙাকশিংদুগী ৱাখল মীৎয়েং য়াওরিবনি। ঐখোয়গীসু য়াফম থোকই খুমন লম্পাকপু খুল-মন লম্পাক ওনবদা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলূপশিংগী কলচরদা শোকপসু লৈতে অদু ওইরগদি পুৱারীগী অশেংবা মমিংদু ওনফম থোকই। ৱাফম খরসিগা লোয়ননা পুৱারীগী খুল অমনবগী মফমবু খুমন লম্পাক ওনখিবদা পেঞ্জদ্রবা হায়বদুমক নৎত্রবসু অশেংবা মমিং থোন্নীংবগী অপাম্বগা লোয়ননা নীংশিং লমায় হাংদোকপীরকই।

অসিগুম্বা ৱারী অসিফাও তাহৌবা, খঙহৌবা, হংহৌবা মীগী মশীং ঙসিদি লিকপা হায়ববু অদুক্কী মতিক লিকঅবনি। মখোয়শিংদুদি য়ুংখাম রোপেন্দ্রো রোয়, ৱারিবম বোজেন্দ্রো, য়ুংখাম ইবোপিশক, গুরুময়ূম ইন্দ্রমোহোন শর্ম্মা, লাইরিকয়েংবম মখা লৈকায়, য়ূম্নাম মাইমু তিল্লিপতি অহোঙ্গৈ, মরিংমৈ পুই কশিম গাইলু - ৮৬, মরিংমৈ অঙম, পন্দোনদগী - হৈঙাং কন্সটিট্যুয়েন্সিগী পার্টি অমনি লাইরিকয়েংবম লৈকায় মফম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংসি মীয়াম্না খুমন লম্পাক হায়নরিবা মফমসিদা লৈরম্বনি। মফমসিবু খুল-মন হায়গদবনি হায়রিবসি ঙসিগী লাইরিকয়েংবম মখা লৈকায়দা লৈরিবা চারোন শুরোন, পন্দোন্দা লৈরিবা কবুই ইচিন ইনাওশিং খুল-মন্দা খুন্দারল্লিবনি। মতম অমগী নিংথৌ লৈঙাক মতমদদি লৈবাক মীয়াম পূম্নমক নিংথৌগী মনাই ঙাক্তনি অদুনা লৈবাক্কী থৌরম থৌদাদা ইনিংথৌগী বেন খোংবা, মৈ থানবা, শীং পীবা, ফৌ তকপা, শূদুনা চেঙ পীবা কাঙবু ইচিন ইনাও লৈরল্লিবনি। পন্দোন হায়বা ৱাহৈসি পলটন হায়বসিদগী থৈথরকপনি। অশেংবদি রগাইলোং হায়বনি। মপা মপুশিং অদুনা খুন্দাদুনা মতম শাংনা লৈরম্বগীনি। খুল অমনবা হায়গদবনি হায়রিবসি। ঙসিদি অতোপ্পা য়ূম্নাক শাগৈ ময়াম অমসু লৈরে। মতমদুদা মৈতৈ কাঙলূপ্তা খুন্দারম্বা য়ূম্নাক শাগৈসু পংয়াম য়াল্লমদে, তরেৎ নিপানমুক্তনি। মখোয়শিংদুদি য়ুংখাম, চনমথাবম, নাওতম, পংশাতাবম, পলুংবম, য়ুমলেম্বম খরদি মমিংবু তাদ্রে খরসিতনি হায়রি।

করিগী খুন হোংবনো হায়বগী মতাংদদি নিংথৌগী য়াথংনিদনা, মফমসিদা বৃটিশকী সিপোয় ট্রেনিং তৌফম ওইরম্মী। অমনা অসাম রাইফলসকী গ্রাজিং গাওন ওই হায়রি। অদুনদি নিংথৌগা বৃটিশ অসাম রাইফলসকা য়ানবদুনি। অমরোমদা য়ূম হোংবা, খুল হোংবা হায়বসি মীগী শেল থুম, সিচুয়েসন অরায়বা নত্তে। অমা অনীদসু নত্তে, খুল ওইননি য়ানবা লৈরমগনি। অসাম রাইফলসকী শঞ্জাবুংদগী মৈতৈশিংগী ষণশিং ঙসি বজারদা থোকপা ষণশিং ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটিদগী ফাইন থিরগা হন্দোকপগুম অসাম রাইফলসকী হন্দোকই হায়রি। অমনা মফমসি হান্নদগী লৌসু উদুনা লাকই। লৌসু অদুম উরকই। মৈতৈসু, কবুইসু লৌশানসু অসাম রাইফলসতা তমই। মতমদুদা ঙসিগী লাইরিকয়েংবম লৈকায়গী এরিয়া অসিসু লমহাংনি হায়রি।

ঙসিগী দিঙ্কু রোদ অনৌবা মশক অসি উবদা হান্নগী খুমন পল্লিদু ৱাখলগী কাচিন্দা তাশিন্দুনা লৈবগুম উই। লম্বী অসিগী মমিং খুমন পল্লি হায়বনি য়াম্না পিক্লম্মী। গাড়ী অনী থৈনবা ৱাই। অদুগী মমাঙ মমাঙনা হেন্না পিক্লমই। পনগুম্না পিক্লা থোনবনি হায়বনি। অদুননি পল্লি হায়রল্লিবদু। লম্বী অসি জেলগী বন্দিশিংনা থোনবনি হায়। অসুম্না পন্দোন মচিন্দগী মখা পাংনা মীনুথোং চৎখিবা লম্বী অসাম রাইফলগী ট্রান্সিৎ কেম্প লৈরিবা লম্বী অসিসু জেলগী বন্দিশিংনা থোনখিবনি হায়রি। লম্বী অসি য়াম্না খোয়রম্বনি।

হৌজিক ৱাটর সপ্লাই, ইলেক্ট্রিসিটি লৈরিবা এরিয়াসিদা খোং অমা লৈরিবসি হৌজিক সরক ময়ায়দা হৌরিবা খোংনাং পাম্বী অনীগী মপাসিদা সরক্কী অৱাংদা লৈবা খোংগা শম্নরম্মী। লম্বী অসিনা থৎখিবনি। হৌজিক ফাওবা খোংসি শোক্তনা থল্লিবসি খুভম ঙাক্তুনা থল্লিবনি, মরম লৈরিবনি। ইপু পুরেনশিংদুনা খুন্দারিঙৈদা মৈতৈগী উহৈ ৱাহৈশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা হৈনৌ য়াম্না থারম্মী, পাল্লম্মী। কোন্সম হৈ, য়ুম্নাম হৈ য়াম্নসু চাউবা, কয়া তিঞ্জং কায়জংদবা হৈনি। অনীসি য়াম্না পাল্লম্মী হায়রি। অচুম্বা অমনা মথক্তসু পঞ্জখ্রে, লৌ উরম্বগী লৌরি কুইনা লৈরম্মী। পুখ্রি, য়ূমগী য়ূম্ফম, লৈরক মমিং ফাওবা লৈরি। কুমজা ১৯৬৫-৬৬ অদুৱাইফাও খুমন লম্পাক্তা হৈনৌ পাম্বী য়াম্না হৌরম্মী। ঙসিগী রাও - রাইজিং এথলেটিক য়ুনিয়ন ক্লবকী শঙলেন মনাক্তা হৌরম্বা অচৌবা হৈনৌ পাম্বীদুনা খুল-মন লম্পাক্তা মতম কুইনা শাংনা হৌরম্বা উপাল ওই-খ। কংখিবা নত্তে, ফুকখিবনি অনৌবা দিভলপমেন্ট কয়াগী। কুন্দালৈ লৈ মখলদু য়াম্না শাৎলম্মী। হৈজাং, চমপ্রা, মুকথ্রুবী য়াম্না হৌরম্মী। তেংনৌ হায়বা লৈপালদু বোন ওইনা হৌরম্মী। কিহোম পাম্বীদৌনা তৌই। মনাদু ফিট মরি-মঙা শাংই। মনম নুংশিবগীদমক তিন, উপু, অলমিরা, ফমুংদা য়াম্না থম্মে। হৌজিক মীনুথোংদগী হাইজিল্লকপা য়ুথ হোষ্টেল লৈরিবা এরিয়াসিদনি, তেংনৌ হৌরম্বা তেংনৌবোন হায়বদু। মফমসিদা ষণগা চংখিবদা থোক্লকপা ঙায়বা ৱায়। চঙলুবসু ঙমদে। মরমদি তেংনৌবোন মনুংদা লিন য়াম্না লৈ। করম্বা চহী, করম্বা নিংথৌ হাক্তক, কুমজা, থবান খঙদ্রবসু চহী মরিফুগী মমাঙ সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱার মমাঙ ১৯৩৬-৩৭-৩৮দা পোকপা মীওইনা লীবা ৱারীনি। ফনা য়াম্নবু নীংশিংলম্মী। খরদি কাউবা মাল্লি, নীংশিংবা থোক্ত্রে হায়। চৈথারোল কুম্বাবগুম্বদা ফংগদ্রা নৎত্রগদি করম্বা মতমগীনো হায়বদু তাকপীনবা লৈত্রবনি। ঙসিগী মীরোলনদি ৱারীসি নোক্রেম হাগ্রেম্নরনি। মরমদি ঙসি ওইরিবা শকফমসিদা হায়বদি তোঙান তোঙানবা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ময়াম লৈশিল্লকপা - ৱাটর সপ্লাই, ইলেক্ট্রিসিটি, বাল ভবন, ইন্দিয়ন রিজার্ভ বট্টালিয়ন, স্পোর্টস একাদেমি, য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস, হোষ্টেলশিং, ইন্দোর হোল, সাই এস এ জিগী হোষ্টেল, য়ুথ হোষ্টেল, কাংশঙ, মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী এরিয়া অমনা চাউনা চাউনা কোল্লিবনি। রোয়িংগী মফম ওইরিবা ৱাটর বোদিসি অৱাং থংবা দিঙ্কু রোদকী মপান নক্লা থম্বাল য়াম্না শাৎপা পাৎশাং ওইরল্লিবনি। অনকপা কাঙবুনা কাংগী কর্ম্মগী থম্না হেক্লরম্মী। চহী খুদিংগী পন্দানগী কাঙবুনা মৈতৈ ইমা ইন্দোন য়াওনা ঙানৈরল্লিবনি।

খুমনগী মশক্তগী খুবাক্কী মশক ওনখ্রবা হায়বদুনি। অদুগুম্বা পুমওন ওনখ্রবা মফম অমগী মশাগী পুৱারীসু ওইজবা, লৈজবা মীংথোলসু লৈফম থোকপা অদুবু মীরোল মীরোলনা তুং-শান্না য়েংদবা পুৱারী করিনো খঙফাক্তবগুম তৌবা মানবা, লোননা লোন্দ্রেনা মাঙহনবিখ্রবা মতম অমগী খুল-মনগী ৱারী লৌ-খৎলুরিবসিগী মরমদি - শান্নববু নুংশিজবা, পামজবা, শান্নজরকপা অমা ওইনা হৌরক্লিবা শান্নরোয়শিংবু ইনোৎ হাপ্পা ওইনা ‘খুমন লম্পাক্কী পোখোক হেনগৎহনসি’ হায়বা পরিং নাইনা চথজগদবা ৱারেং অমা ইজখি। অহানবা ৱারেংদগী হৌনা অহল লমন খরনা পূক্লিং থৌগৎপীবগা লোয়ননা ঙসিগী লোন্দ্রে-লোন খুমন হায়বসি খুল-মন হায়না ইনবগীদমক পুৱারীগা লোয়ননা তাকপীখি। অসুম্না ঐখোয়না ইপা ইপুনা খুন্দাজরম্বা মফম অসি ফাওবা মমিং চুম্না থোন দুনা কৌহন্দবা, হায়হন্দবা হায়বসি ঐখোয় পূম্বগী মাঙজবতা নত্তনা পুৱারী লান্না চৎহনবনি, পাথাং পুথাংদসু লমদম্নরি। ঙসিদি মফমসি মগুন লৈরবনি। খঙদবা কাঙবুনা খঙদ্রবসু অখঙবা কাঙবুনা চুমথোকফম থোকই মীওইবগী মচৎনি। হায়না হায়না খুমন হায়বা বনানসিদা তাঞ্জানা য়াদদনা ৱারেং অনী অহুম ইজখ্রে। ৱাফম অমনা মথক্তসু পঞ্জখ্রে মখা চথজগদবসু লৈজরি। অদুনা মরম ওইদুনা আপিল অসি তৌজবনি। য়াবা য়াদবা হায়বদুদি মীয়াম অমদি লৈঙাক্কী খূৎতা লৈবনি। ইজরিবগী ওইনদি মখা চথজরকপা ৱারেংশিংদা খুমন লম্পাক হায়বসি খুল-মন লম্পাক হায়না ইজরগনি, বনান অসিগীদমক লৈবাক মীয়াম, রিদরশিংদা নোল্লুকচরি। মরু ওইনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবিরিবা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট য়ুথ এফ্যেরস স্পোর্টস, সাই এস এ জি, স্পোর্টস একাদেমি, স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি, লোয়ননা ষ্টেট কলা একাদেমিনা মখোয় মখোয়গী ওফিসিয়েল নোটিফিকেসন, লেটর রেকোর্দতা খুলমন হায়বা বনানসি ইবিদুনা পুৱারীগী অশেংবা মমিংসি থোন্নবা তৌজরিবা আপিলগী মরম নৈনবিরক্কনি হায়বগী থাজবা থমজরি। অচুম্বগীদমক খুল-মন লম্পাকপু কোনবিরিবা ইবুধৌ পাখংবনা চানবীসনু। ●

## ꯊꯥꯒꯠꯄ/থাগৎপা ফোঙদোকচরি

হৌখিবা তাং ৬/৪/২০২০ ইং, শজিবুগী ১২নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎ অসিদা কোন্থৌজম এ সীগী ওনরেবল এক্স এম এল এ শ্রী কে সরত সিংহ, য়ুরেম্বম জিলা পরিষদকী ওনরেবল থিঙুজম নিল্লমনি সিংহ, য়ারৌ বমদিয়র জিলা পরিষদকী সামোম মনিশং লৈমা, য়ুরেম্বম জি পিগী প্রধান মুতুম দেবেন সিংহ, মোইদাংপোক জি পিগী প্রধান লাইশ্রম কৈন্যাতোন দেবী, কোন্থৌজম জি পিগী প্রধান হৈস্নাম মনিসনা মৈতৈ, কাংমোং জি পিগী প্রধান থাংজম থোইবা মৈতৈ, ঙাইরাংবম জি পিগী প্রধান ওনরেবল থোকচোম সঞ্জোয় মৈতৈ, য়ারৌ বমদিয়র জি পিগী এক্স প্রধান সোরাইশম পুনাকেশ্বর মৈতৈ অমদি খাইদেম ৱার্দ নম্বর ১, ২, ৩গী মেম্বরশিংগী মীৎয়েং মখাদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা অৱা-অনা তারবা খাইদেমগী মীওইশিংদা ঙমজবা চান-থক্নবা পোৎলম খরদং হায়বদি আলু, হৱাই, ঙারি অমদি থুমনচিংবা কয়া মীয়ামগী মফমদা য়েন্থোকপীখিবগীদমক খাইদেম ৱার্দ নম্বর ১, ২, অমসুং ৩গী মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

**থাগৎপা ফোঙদোকচরিবা : খাইদেম ৱার্দ নম্বর ১, ২ অমসুং ৩গী মীয়াম**

HL-P/6662/10